## যু এন্না কন্দেম তৌখ্রে

যুনাইটেদ নেসন্স, এপ্রিল ১৩(এজেন্সি):
পাকিস্টানগী খা নোংচুপ থংবা সিটি ক্বেটাদা ঙরাং চথুখিবা বোমগী এটেক্ট যু এন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটেরেজনা কন্দেম তৌখ্রে।

পাংদবগী থবক্তা মরী লৈনবা থৌদোক অদুগী পাউ তাবদা গুটেরেজগী থম্মোয় শোকখি অমসুং মহাক্না থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুগী ভিক্তিমশিংগী ইমুংশিং অমসুং পাকিস্টানগী মীয়াম্না নংহৌরিবা অৱাবদা মশামকসু শরুক য়ারি হায়না সেক্রেটরি জেনরেলগী স্পোক্সমেন ষ্টেফান দুজারিককী ৱারোল পল্লদুনা ন্যুজ এজেন্সি অমনা হায়রি।

অসিগুম্বা অৱাবা নংলবা মতম অসিদা যু এননা পাকিস্টান লৈঙাক্লা টেররিজমগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা লাঞ্জং অসিবু মপুং ফানা শৌগৎপা ফোঙদোক্লি হায়না মহাক্না মখা তাখি। পনবা য়াই, ক্বেটা সিটিগী মনা-মশিং য়োনফম কৈথেলদা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ২০ শিখিবনি অমসুং অতে ৪০ হেন্না শোকখিবনি।

## এয়রষ্ট্রাইক্তা হাকানি মিলিটেন্ট ৪ শিখ্রে

কাবুল, এপ্রিল ১৩(এজেন্সি):
অফঘানিষ্টানগী পাক্তিয়া প্রোভিন্সতা ইরাই নুমিত্তা এয়রষ্ট্রাইক চথখিবদা য়ামদ্রবা হাকানি মিলিটেন্ট মরি শিরে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

থাজবা য়াবা ইন্টলিজেন্স পাউ অমদা যুম্ফম ওইরগা ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা প্রোভিন্সিএল কেপিটেল গার্দেজগী চিদাইদা এয়রষ্ট্রাইক অমা চথখি। এয়রষ্ট্রাইক অদুদা হাকানি টেররিষ্ট গ্রুপকী মিলিটেন্ট ৪ শিখ্রে হায়না প্রোভিন্সিএল গভর্নমেন্টকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি। নাটোনা লুচিংবা কোলিসন ফোর্সেসনা অফঘান সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা তানরগা চথখিবা এয়রষ্ট্রাইক অদুদা সিক্যুরিটি ফোর্সেস অমসুং মীচমশিংদা মীশি-মীনা অমদি অতে অমাঙ-অতা অমত্তা থোকখিদে হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

রেইদ অদুদা অচৌবা নোংমৈ অমসুং নোংমৈ মচা কয়াগা লোয়ননা য়াল্লবা এম্যুনিসনসু মাঙহন তাকহনখ্রে হায়রি। টালিবানগা মরী লৈনবা মিলিটেন্ট গ্রুপ অমা ওইরিবা হাকানি নেটৱার্ক অসি অয়াম্বা মতমদা ইষ্টর্ন প্রোভিন্সশিংদা অমসুং কেপিটেল কাবুলদা ওপরেট তৌই। মখোয়না সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা শাথিরবা এটেক্ট কয়া চথখ্রবনি।

## সুদানগী মিলিটরি কাওন্সিলগী মকোক নোংমখক ফম পায়রম্লগা থবক থাদোকখ্রে



খার্টুম, এপ্রিল ১৩(এজেন্সি):
সুদানদা চহী ৩০ হায় হুমদুনা লৈঙাক পায়রকখিবা প্রসিদেন্ট ওমার অল-বাসির আর্মদ ফোর্সেসনা মফমদগী চিংথুখিবা মতুংদসু লৈবাক অদুগী মীয়াম্না মখা তানা প্রোটেষ্ট তৌদুনা পোলিটিকেলগী অহোংবা থুনা পুরক্লবা দিমান্দ তৌখিবগা লোয়ননা সুদানগী দিফেন্স মিনিষ্টর অৱাদ ইবন অউফ লৈবাক অদুগী ট্রাঞ্জিস্নেল রুলিং কাওন্সিলগী মকোক ওইনা নোংমখক ফম পায়রম্লগা ইরাই নুমিত্তা খঙহৌদনা মফম থাদোকখ্রে।

মিলিটরি কাওন্সিলনা মীয়ামগী অশাওবা ফাথনবা লৈবাক অদুদা অনৌবা সিভিলিয়ন গভর্নমেন্ট অমা য়াম্না থুনা লাক্লগনি হায়না থাজবা পীখিবা মতুং পুং খরখক কান্নরগা দিফেন্স মিনিষ্টর অৱাদ ইবন আউফনা টেলিভিজনদা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক কাওন্সিলগী মকোক্কী ফম থাদোক্লে হায়না লাউথোকখিবনি।

লেফটনেন্ট জেনরেল অবদেল ফাটাহ অল-বুর্হান অব্দেলরাহমননা কাওন্সিলগী অনৌবা লুচিংবা ওইরগনি হায়না আউফনা ফোঙদোকখি। মহাক্না মখা তারদুনা চীফ ওফ ষ্টাফ কমল অব্দেলমারৌফ অল-মাহি ট্রাঞ্জিস্নেল মিলিটরি কাওন্সিলগী দেপ্যুটি হেদকী ফমদগী লৌথোক্লে হায়নসু ফোঙদোকখি।

লৈবাক অদুগী সিক্যুরিটি সিষ্টেম মরু ওইনা আর্মদ ফোর্সেসতা নাকপাক তান্নবগী ফিভম লৈহন্নদনবা ঐখোয়না শেম্বীবা মপুদা থাজবা থম্বগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা অহোংবা পুরকপগী লম্বীদা চঙশিনবা হৌরসি হায়না ইবন আউফনা ফোঙদোকখি।

মীয়াম্না অনৌবা খোঙথাং অদুগী মতাংদা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লদুনা হৌজিক মীয়ামগী লৈঙাক্কা চান্নদবা অনীশুবা এরেঞ্জমেন্ট অমসু য়াখিদ্রে হায়না খার্টুম সিটিগী লম্বীশিংদা থোক্তুনা লাওনখি হায়রি। মীওই খরনা ফোঙদোকখিবদা, মীয়ামগী খোল্লাও অদু মতম শাংনা লৈবাক অদুদা পাল্লকখিবা প্রসিদেন্ট বাসির মফমদগী চিংথুখ্রবা মতুংদা লাকখিবা মিলিটরি কাওন্সিলনা লৈবাক অদুবু লৈঙাক্লুবা হোৎনবদা মায় পাক্লরোই খঙবদগী নৌনা শেমখিবা কাওন্সিল অদুগী লুচিংবা মফম থাদোকখিবনি।

হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসি লৈবাক অদুদা অওনবা অমা লাকহন্নবগী লম্বীদা চঙশিনবা খোঙথাং অমনি। লৈবাক অদুগী ওথোরিটি খুদিংমক্না মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা চৎলরোই হায়বগী ইঙ্গিৎ অমা উবা ফংলে। ঐখোয় মায় পাকপা য়াবগী ফিভম লৈরে হায়না মরু ওইবা প্রোটেষ্ট গ্রুপ ওইরিবা সুদানিজ প্রোফেস্নেলস এসোসিএসন (এস পি এ)গী স্পোক্সমেন রসিদ সয়িদনা ন্যুজ এজেন্সি অমদা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই, মিলিটরি কাওন্সিলনা মমাঙদা লৈবাক অদুদা মীখল পাঙথোক্ত্রিঙৈ মাওইননা ট্রাঞ্জিসনগী মতম শাংলবদা চহী ২ দগী হেল্লোই নৎত্রগা করিগুম্বা লৈবাক অদুদা কাংখোং চাইবগী ফিভম শিংথানিংঙাই ওইনা হন্থরকপা তারবদি হায়রিবা মতম অসিদগী য়াম্না তেনশিনবসু য়াগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

## টালিবানগী হেলমন্দ প্রোভিন্সকী সেদো গভর্নর এয়রষ্ট্রাইক্তা শিরে





কাবুল, এপ্রিল ১৩(এজেন্সি):
নুমিৎ খরনিংগী মমাঙদা মুস্কা কালা দিষ্ট্রিক্টতা চথখিবা এয়রষ্ট্রাইক অমদা অশোক-অপন নংখিবা টালিবানগী সাউদর্ন হেলমন্দ প্রোভিন্সকী সেদো গভর্নর শারাফউদ্দিন তাকি শিরে হায়না অফঘান মিদিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

প্রোভিন্সিএল গভর্নমেন্টকী মিদিয়া ওফিসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, থাজবা য়াবা ইন্টলিজেন্স পাউ মতুং ইন্না শারাফউদ্দিন তাকি মখা তানা লায়কন্নবা ঙমদবদগী শিখ্রে হায়বগী থাজবা লৈরে।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, টালিবানগী হেলমন্দ প্রোভিন্সকী সেদো গভর্নরনি হায়নরিবা তাকি হৌখিবা এপ্রিল অমদা মুসা কালা মার্কেটে মনাক্তা চথখিবা এয়র ষ্ট্রাইক অমদা ফিভম থিনা শোকখিবনি।

এয়র ষ্ট্রাইক অদুদা গ্রুপ অদুগী মিদিয়াগী থৌ পুরিবা হাফিজ রাসিদ য়াওনা য়ামদ্রবদা মিলিটেন্ট মঙাসু শিখি। টালিবানগী কন্দাহার প্রোভিন্সকী সেদো গভর্নর মোহম্মদজাইনা হৌজিক হেলমন্দগী অনৌবা সেদো গভর্নর ওইনা গ্রুপ অদুগী এক্তিভিটিশিং লুচিংলি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা গ্রুপ অদুগী হেলমন্দগী সেদো গভর্নর শিখিবগী মতাংদা টালিবান নৎত্রগা এন্টি গভর্নমেন্ট মিলিটেন্টশিংনা কমেন্ট অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

চৈরকসিদা টালিবান্না অফঘানিষ্টানগী নংগরহর প্রেভিন্সকী সিরজাদ দিষ্ট্রিক্ট লৌশিন্নবা চথরকখিবা অচৌবা ওফেন্সিপ গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা কন্না হোৎনদুনা হন্দোকহনখিবগা লোয়ননা মিলিটেন্ট গ্রুপ অদু মফমদুদগী কায়দুনা চেনখ্রে অমসুং টালিবান ফাইটর ২৭ গী অশিবা হকচাংশিং তাদুনা লৈরম্লে হায়দুনা থাংজ নুমিত্তা প্রোভিন্সিএল গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

## নোর্থ কোরিয়াগী কিমনা যু এসকী ফিরেপ হোংনবা চহী লোইবা ফাওবগী মতম পীখ্রে



সিওল, এপ্রিল ১৩(এজেন্সি):
যুনাইটেদ ষ্টেটসকা ৱারী শান্নবা কায়খিবা অসিনা অমুক হন্না টেন্সন লাকপা য়াবগী অকিবা হেনগৎহল্লে অমসুং যুনাইটেদ ষ্টেটসকী মায়কৈদগী অচুম্বা ফিরেপ অমা উৎলক্লবা মতমদা মহাক্না প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকা অমুক হন্না ৱারী শান্নগনি হায়না নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং-উননা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট মিদিয়া জে সী এন এনা থাংজ নুমিত্তা কিমগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খিবদা যুনাইটেস ষ্টেটসকী ফিরেপতা অহোংবা লৈহন্নবগী মতম পীবা ওইনা মহাক্না চৎলিবা চহী লোইবা ফাওবা ঙাইবা পাম্মী। ইরাই নুমিত্তা সুপ্রিম পিপলস এসেমব্লিদা ৱা ঙাঙলদুনা কিমনা হায়খি মদুদি, যু এসনা ঐখোয়গা তৌনরিবা ইনগেজমেন্ট অসিদা হৌজিক লৈরিবা মখোয়গী মীৎয়েং অমসুং থৌওংশিং থাদোক্তুনা অনৌবা ৱাখল্লোন অমনা শীনে দাকপগী তঙাইফদবা লৈ।

মমাঙদা ট্রম্প অমসুং কিমনা অনীরক উনখ্রে। অহানবদা মখোয়না হৌখিবা চহীগী জুনদা সিঙ্গাপোরদা উন্নখি। অদুগা অনীশুবা সম্মিট ওইনা মখোয়না হৌখিবা ফেব্রুৱারিদা ভিয়েটনামগী কেপিটেল হানোইদা উন্নখি। সম্মিটশিং অদুনা মখোয়গী মরক্তা অমগা অমগা থাজনবা হেনগৎহনখ্রবসু নোর্থ কোরিয়ানা লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল প্রোগ্রামশিং থাদোকপগী ফিভমদা লৈবাক অসিগী মথক্তা যু এসনা থল্লিবা অথিংবশিং লৌথোক্লবগী দিল অমা য়ান্নবদি ঙমখিদে।

ট্রম্পনা মহাক কিমগা অমুক হন্না উন্নবগী ৱাফমদা য়ানিংদবা তৌদে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখিবনি। তৌইগুম্বসুং নোর্থ কোরিয়ন লুচিংবা কিম জোং-উননা ইরাই নুমিত্তা ৱা ঙাঙখিবদা হানোইগী সম্মিট মায় পাকখিদবদুনা মরম ওইদুনা ইন্টরনেসনল ইনগেজমেন্ট অমসুং যুনাইটেদ ষ্টেটসকা ৱারী শান্নবদা মহাক্না হৌখিবা চহীদগী চৎলকখিবা ষ্ট্রেটেজি অদু ফেল ওইগদৌরিব্রা হায়বগী চিংনবা মঙোন্দা পোকহনখি।

## কিম জোং-নাম হাৎপগী মরাল শিখ্রবা ভিয়েটনামিজ নুপী মালেসিয়ানা থাদোক্লগনি



কুল লাম্পুর, এপ্রিল ১৩(এজেন্সি):
নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং-উনগী পোকমিন্নদবা ময়াম্বা কিম জোং-নাম হাৎখিবগী মরাল শীখ্রবা ভিয়েটনামিজ নুপী অমা হান্না থাজনখিবা নুমিত্তগী নোংমা ঙনখৎনা লাক্লিবা মে ৩ দা মালেসিয়াগী জেল অমদগী থাদোক্লগনি হায়রি।

মশাগী চহী ৩০ শুরবী দোন থি হুওং কৌবী নুপী অদু ইন্দোনেসিয়ন নুপী অমগা লোয়ননা কুমজা ২০১৭ গী ফেব্রুৱারিদা কুলা লাম্পুর এয়রপোর্টতা কিম জোং-নামগী মমায়দা অথিংবা থমখ্রবা হুগী মশক ওইরবা কেমিকেল অমা তৈশিনখি হায়না মরাল শীখিবনি।

মালেসিয়াগী প্রোসিক্যুটরশিংনা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা হুওংগী মায়োক্তা শীখিবা মী হাৎপগী মরাল অমসু হন্দোকখি। মদু মহাক্না অতোপ্পা মরাল অমা য়াজখিবা মতুংদনি। মহাকপু মালেসিয়াগী কোর্টনা জেলদা চহী অহুম হেন্না লৈবগী চৈরাক পীখ্রবসু মালেসিয়াগী লো মতুং ইন্না মঙোন্দা পীরিবা জেলগী চৈরাক্কী মতম অদু শরুক অহুম থোকপগী অমা ককথখিবনি। লাক্লিবা মে ৪ দা জেলদগী থাদোক্লগনি হায়না পান্নরম্বা হুওং নুমিৎ অসিদগী নোংমা ঙনখৎলগা ওইনা থাদোক্লগনি হায়না মহাক্কী উকিল সালিম বাসিরনা ন্যুজ এজেন্সি অমদা ফোঙদোকখি।

জেলগী ওথোরিটিশিংনা ঐখোয়দা মে ৩ দা থাদোক্লগনি হায়না খঙহল্লখিবগী মতুং ইন্না নুমিৎ অদুমক্তদা মহাক হানোইদা পাইরগনি হায়না বাসিরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

হুওংগা লোয়ননা কিম জোং-নাম হাৎপগী মরাল শীখিবা ইন্দোনেসিয়ন নুপী সিটি আইস্যাদি প্রোসিক্যুটরশিংনা মঙোন্দা শীরিবা মী হাৎপগী মরাল হন্দোকখিবা মতুং হৌখিবা মার্চতা থাদোকখ্রবনি।

পনবা য়াই, কিম জোং-নাম হাৎপগী ওর্দর অদু নোর্থ কোরিয়ন রেজিমনা পীখিবনি হায়না সাউথ কোরিয়া অমসুং যু এসকী ওফিসলশিংনা মমাঙদা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। ওফিসলশিং অদুগী মতুং ইন্না কিমগী ইমুংনা নোর্থ কোরিয়াবু মতম পুম্বদা লৈঙাক্তুনা লৈবদু কিম জোং-নামনা পামখি। অমরোমদা, প্যোংয়াংনদি ওফিসলশিংদুগী ৱাফম অসি কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবনি।

## ঈশিংদগী কনখিবা মাইগ্রেন্টশিং ঈ য়ুগী লৈবাক মরিনা লৌশিল্লগনি



ভলেতা, এপ্রিল ১৩(এজেন্সি):
চয়োল অনীরোম সমুদ্রদা লম্মুক্লদুনা লৈরম্বদগী জর্মনিগী জহাজ অলান কুর্দিনা কনখিবা অফ্রিকাগী মাইগ্রেন্ট ৬৪ য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন লৈবাক মরিনা লৌশিল্লগে হায়রে হায়না মাল্টিজ গভর্নমেন্টনা থাংজ নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

হ্যুমেনিটরিয়ন ওর্গনাইজেসন সি-আইনা ওপরেট তৌবা জহাজ অদু ইটালি অমসুং মল্টানা চঙবা য়াহনখিদবনি। তৌইগুম্বসুং মাইগ্রেন্ট অনী হকচাংগী ফিভম শোকচিল্লকপদগী চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা মল্টাদা পুরকখিবনি।

লৈবাক অনীনা মমাঙদা মাইগ্রেন্টশিং তোংলিবা জহাজ অদুবু লৌশিনবা হায়বসি লিবিয়াগী মথৌনি হায়না কন্না য়েৎলকখি হায়না সি-আইনা চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা ফোঙদোকখি।

মাল্টিজ গভর্নমেন্টনা হায়খি মদুদি, য়ুরোপিয়ন কম্মিসন্না শীনলাংলকখিবগী মতুং ইন্না হৌজিক্তি মাইগ্রেন্টশিং অদু জর্মনি, ফ্রান্স, পোর্টুগেল অমসুং লক্সমবগকী মরক্তা নৌহৌনা য়েন্থোক্লগনি। অদুনা মাইগ্রেন্ট অমত্তা মাল্টাদা লৈহৌররোই। অলান কুর্দি হায়রিবা জহাজ অসিসু মাল্টাদা চঙবা য়াররোই হায়না মাল্টিজ গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

মাল্টিজ গভর্নমেন্টনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, অমুক হন্না হন্দকসু য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী পীক্লবা মেম্বর অমদা কান্নদবদা প্রেসর পীরে। লৈবাক অসিনা ঙম্লোইদবা কেস অমা ৱারোইশিন পুরক্লবগী পোৎলুম অমা লৈবাক অসিদা ননবিরে।

পনবা য়াই, হৌখিবা মার্চতা মাইগ্রেন্ট খরনা হায়জেক্ট তৌখিবা অপীকপা টেঙ্কর অমদা য়াওবা মাইগ্রেন্ট ১০৮ মাল্টাদা থুংজিনখি। মাইগ্রেন্টশিং অদু টেঙ্কর অদুনা ঈশিংদগী কনখিবনি। মাল্টাগী লান্মীশিংনা ভেসেল অদুদা থোমজিল্লবা মতুংদা মদুবু মাল্টাদা ঙাক শেন্দুনা পুরকখিবনি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা নহা ওইরিবা মীওই ৩ ফাদুনা কোর্টতা পুথোকখ্রবনি।

## স্বিদেননা অসাঞ্জকী রেপ কেস লৌখৎনবা খন্নরি



স্টোকহোম, এপ্রিল ১৩(এজেন্সি):
ৱিকিলিক্সকী কো-ফাওন্দর জুলিয়ন অসাঞ্জকী মায়োক্তা লৈরিবা রেপকী কেস অমা মতম কুইনা নমশিন্দুনা থম্লুরবা মতুংদা স্বিদেননা অমুক হন্না লৌখৎনবা খন্নরি হায়রি।

নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা অসাঞ্জপু লন্দনদা লৈবা এক্বাদোরগী এম্বেসিদগী ফাখিবা মতুং স্বেদিস ওথোরিটিশিংনা মহাক্কী মায়োক্তা লৈরিবা রেপকী কেস অদু অমুক হন্না য়েংশিন্নবা খন্নরকখিবনি।

স্বেদিস প্রোসিক্যুটরশিংনা ফোঙদোকখিবদা, ভিক্তিম অদুগী উকিলনা হায়জরকপদগী মখোয়না কেস অদু য়েংশিনবা হৌরে। ভিক্তিম অদুগী উকিল এলিজাবেথ মাসি ফ্রিটজনা হায়খি, স্বিদেনদা কেস অদুগী মতাংদা থিজিনবগী থবক অমুক হন্না হৌবা য়ানবা ঐখোয়না তৌফম থোকপা খুদিংমক তৌগনি। রেপ ভিক্তিম অমত্তা ৱায়েলগীদমক্তা চহী ৯ ঙাইহনফম থোক্তে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

পনবা য়াই, কুমজা ২০১০ দা ষ্টোকহোমদা ৱিকিলিক্সকী কনফরেন্স অমা পাঙথোকখিবা মতুংদা অসাঞ্জবু নুপী অনীদা রেপ অমসুং অতৈ সেক্স্যুএল ওফেন্স কয়া চথখি হায়না মরাল শীখিবনি।

## যু এসনা প্রেসর পীরকপদগী অফঘান ৱার ক্রাইমসকী মতাংদা থিজিনবা লেপখ্রে

যুনাইটেদ নেসন্স, এপ্রিল ১৩(এজেন্সি):
ৱাশিংটননা অকনবা প্রেসর পীরকপদগী অফঘানিষ্টানদা চথখিবা ৱার ক্রাইম কয়াগী মতাংদা ইন্টরনেসনল ক্রিমিনেল কোর্ট (আই সী সী)না থিজিল্লকখিবা অদু লেপখ্রে। যু এস মিলিটরি অমসুং ইন্টলিজেন্স সার্ভিসকী মায়োক্তা আই সী সীনা ইনভেষ্টিগেসন চথরকখিবনি।

হেগতা জজশিংনা রুলিং অদু লাউথোকখিবা মতুং ইরাই নুমিত্তা ৱাশিংটনদা যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা মদু মথৌনা লৈরবা অমসুং মরৈবাক নীংবা লান্মীশিংগীদা নত্তনা মালেমগী অমসুং রুল ওফ লোগী অচৌবা মায় পাকপা অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

হৌজিক্কী ষ্টেজ অসিদা অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা ফিভমগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথবা হায়বসিনা অচুম্বা পুরকপা ঙম্লোইদবা লৈবনা ইনভেষ্টিগেসন অদু লেপ্পনবা জজ অহুমগী পেনেল অমনা ৱারেপ লৌরে হায়না আই সী সীগী চেরোল অমনা ফোঙদোকখি।

চেরোল অদুগী মতুং ইন্না অফঘানিষ্টনদা কুমজা ২০০৩ গী মেদগী মীওইবগী মায়োক্তা চথরকখিবা ৱার ক্রাইমশিং অমসুং অতৈ ক্রাইমশিংগী মতাংদা কোর্ট অদুগী চীফ প্রোসিক্যুটর ফাতাও বেনসৌদানা থিজিনবিনবা হায়জরকপদগী জজশিং অদুনা মদুবু এপ্রুভ তৌখিবনি। জজশিং অদুনা মখোয়গী হান্নগী ফিরেপ অদু হোংদোক্লদুনা মখোয়গী অনৌবা ৱারেপকী ৱারোলশিং য়াওবা লমায় ৩২ পানবা রুলিং অমদা পনখি মদুদি, অফঘানিষ্টানদা পোলিটিকেলগী অহোংবা কয়া লাকপগা লোয়ননা প্রোসিক্যুটরদা কোওপ-রেসন পীবা ৱাৎপনা মরম ওইদুনা চথরিবা ইনভেষ্টিগেসন অমসুং প্রোসিক্যুসনদা অপনবা পীবা য়াবগী ফিভম লৈ।

আই সী সীনা যু এসগী সোভরেনিটদা অকিবা পীরে লোয়ননা যু এস রোম ষ্টেচুটতা সাইন তৌখিবা লৈতে হায়রদুনা ৱাশিংটননা ইনভেষ্টিগেসন অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি।



## ট্রম্পনা মাইগ্রেন্টশিং সেঙ্কচুরি সিটিশিংদা লৈহন্নবা থৌরাংলি

ৱাশিংটন, এপ্রিল ১৩(এজেন্সি):
যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা লৈবাক অদুগী ইমিগ্রেসন লোশিংগী মতাংদা দেমোক্রেটশিংবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইলিগেল মাইগ্রেন্টশিং সেঙ্কচুরি সিটিশিংদা থাজিল্লগনি হায়না কিহনখ্রে।



দেমোক্রেটশিংনা ঐখোয়গী য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা ইম্মিগ্রেসন লোশিং হোংদোকপদা য়ানিংদবনা মরম ওইদুনা যু এস এদমিনিষ্ট্রেসন্না অসিগুম্বা ইম্মিগ্রেন্টশিংবু ‘সেঙ্কচুরি সিটি’শিংদা লৈহন্নবা কন্না খন্নরি হায়না ট্রম্পনা ত্বিটরদা ইখি।

যু এস প্রসিদেন্টনা মখা তারদুনা রেদিকেল লেফ কাঙবুবু ওপন বোর্দরশিং শৌগৎলি হায়নসু মরাল শীখি। অমরোমদা মহাক্না অনৌবা প্রপোজেল অদুনা মখোয়বু (দেমোক্রেটশিং)বু য়াম্না নুংঙাইহনগনি হায়নসু ক্লেম তৌখ্রে।

যু এসকী সেঙ্কচুরি সিটিশিং অসি ফেদরেল ওথোরিটিশিংদা কোওপরেসন পীদবা অমসুং ইলিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিংবু মখোয় মখোয়গী লৈবাকশিংদা থাদ্রি ফাওবা থম্বা য়াবা লোকেল জুরিদিক্সনশিংনি হায়না লৌনৈ। এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসলশিংনা থা খরগী মমাঙদা ইলিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিংবু মরৈবাক্তা হনবা য়াদনবগী লো কয়া চৎনরিবা সিটিশিংদা পুননবা খন্নরি হায়না ৱাশিংটন পোষ্টনা ফোঙদোকখিবা মতুং নোংমা লৈরগা ট্রম্পনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

প্রপোজেল অদুবু হাউসকী স্পীকর ওইরিবা কালিফোর্নিয়াগী দেমোক্রেট নেন্সি পেলোসিনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। এদমিনিষ্ট্রেসন অসি অসুম্না তমথি হায়বসি হায়মনবা থোক্লোই হায়না পেলোসিগী স্পোক্সপার্সন অমনা ৱাশিংটন পোষ্টতা ফোঙদোকখি। অমরোমদা, হ্বাইট হাউস অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ হোমলেন্দ সিক্যুরিটিনা প্রপ্রোজেল অদুবু হৌজিকসু খন্নরি হায়বা ৱাফম য়াখিদ্রে।

## ফেসবুক্কী জক্করবগ ঙাক শেনবদা দোলর মিলিয়ন ২০ চংখি

লোস এঞ্জেলিষ্ট, এপ্রিল ১৩(এজেন্সি):
মমাঙগী চহী কুমজা ২০১৮ দা ফেস বুক কম্পেনি অসিগী সী ঈ ও মার্ক জক্করবগবু ঙাক শেন্নবগী থবক থৌরমদা চংখিবা চাদিংসি দোলর মিলিয়ন ২০নি হায়রি। হায়রিবা শেনফমসি কুমজা ২০১৬তা চংখিবা চাদিং অদুদগী শরুক মরি হেল্লি হায়নসু হায়রি।

হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা যু এস সিক্যুরিটিজ এক্সচেঞ্জ কম্মিসনদা ফেসবুক্না থাগৎলকপা চাদিংগী শেনফমসি লন্নাই এরোপ্লেন বাইবদা দোলল মিলিয়ন ২.৬ নি। মসিগী শেনফমসি মমাং চহীদা চংখিবা চাদিংদুদগী দোলর মিলিয়ন ১.৫ তগী হেল্লবনি হায়না সী এন ঈ টি পাউ অমনা হায়রি। জক্করবগনা চহী অমদা তোলব ওইনা দোলর অমখক লৌজরবসু কুমজা ২০১৮ দা মঙোন্দা পীখিবা কম্পেসেসন অসি দোলর মিলিয়ন ২২.৬নি। হায়রিবা শেনফমসি কুমজা ২০১৭ দা মঙোন্দা পীখিবা কম্পেসেন দোলর মিলিয়ন ৯.১ অদুদগী য়াম্না হেল্লবনি হায়নসু পাউগী লিখুল অদুনা পল্লি।



সোসল নেটৱার্কিং জায়ন্ট অসিগী সী ও ও ওইরিবা সেরিল সেন্দবর্গকী পার্সনেল সিক্যুরিটিদা চংলিবা চহীগী চাদিংসি দোলর মিলিয়ন ২.৯নি। মসিগী মনুংদা লন্নাই এরোপ্লেন ৱাইবগী শেনফম্না ৯০০,০০০ নি হায়না মখা তানা হায়রি।

ফেসবুক্কী সী ঈ ও অমদি সী ও ওশিং ঙাক শেনবগী চাদিং য়াম্না হেনগৎলক্লিবা অসি সোসল নেটৱার্কিং প্লেটফোর্ম অসিনা মীয়ামগী দেটা লান্না শীজিন্নবা অমদি ইলেক্সনগী থবক থৌরাংশিংদা খুৎ থিংজিল্লবদগী লাকপা থ্রেটশিংদুননি হায়না থাজনরি।

কম্পেনি অসিগী থবক থৌরমশিং অসি মীয়াম্না য়াম্না লায়না উবা ঙম্বা অমদি কম্পেনি অসিগী ফাওন্দর সী ঈ ও, চ্যেরমেন অমা ওইনা ষ্টোকহোল্ডরশিংবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা লৌরিবা চাওরবা থৌদাংশিং অসিনা মরম ওইদুনা মঙোন্দা লাকপা য়াবা থ্রেটশিংবু ঙাকথোক্ল বগীদমক্তা ঙাক শেনবগী চাদিং অসি হেনগৎপনি হায়না কম্পেনি অসিগী দোক্যুমেন্ট অমদা য়াওরি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।